ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো, ইম্ফাল অমসুং ভোপালনা পূন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীদিয়া টুরদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী পাউমীশিংবু মধ্য প্রদেশকী এম পি সঙ্কর লালৱানিনা তরাম্না ওক্তুনা উনখিবা (লমায় ৭)


য়াইফবা-ষ্টেট অমগী ৱা খল্লুবদা - ১
☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী লুচিংবা ৩ দেল্লি পাঙখ্রে
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯


শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পলগী মায়োক্নবদা লৈবা হোটেল কাসলদা বচু য়ুনিক ক্রিএসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কোষ্টুম কন্টেষ্ট কম সর্টিফিকেট দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরমদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা (লমায় ২)




Vol. 47, Issue No. 286 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচীং ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, January 17, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00





# মোদি সরকার গী গরেন্তী

কোম্না বিজিনেস তৌহন্দুনা চাওখৎপগী খোঙজেল য়াঙহল্লে

হমারা সনকল্প
ভিক্সিট ভারত

ইনলেন্দ ৱাটরৱেশিংগী কার্গো মুভমেন্ট শরুক ৭ হেনগৎলে; মরু ওইবা পোর্টশিংদা হেন্দলিং কেপাসিটি শরুক অনী হেনগৎলে

CBC 22201/13/0162/2324




# কৌত্রুক চীংদোং মীতৈ লৈকায়গী নোংথক্তা দ্রোননা পীক থল্লে কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম ১সুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

### শবুংখোক খুনৌদি আর্মি অমসুং পুলিসনা পূন্না ঙাক্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :**
মে ৩দগী চখ্থরকখিবা তমথীরবা কুকিশিংগী লান মনুংদা য়াম্না তোয়না অচৌবা লানফম অমা ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পি এসনা কোল্লিবা কৌত্রুক চীংদোং মীতৈ লৈকায়গী নোংথক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অয়ূক অমদি নুমিদাং খাক্তনা অচৌবা অমা য়াওনা দ্রোন কয়া মরী-মরী পাইশিলহল্লক্তুনা কিহন-খংহনবগী থবকশিং চখ্থরকপগী মথক্তা ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা পুংফমশিংদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চখ্থরকখ্রে।

অহানবা থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা কৌত্রুক চীংদোং মীতৈ লৈকায়গী মনীং থংবা শরুক্তা চীংথক্তগী নোংমৈনা হান্না কাপশিল্লকখি। থৌদোক অসিদগী খুল অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা পুলিস অমদি সী আর পি এফকী কম্বাইন্দ ফোর্সনা কদাংবন্দ ফাওবা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা বেথেল কুকি খুলদগী মখোয় তম্না অমুক্তসু নোংমৈ কাপশিল্লকখি। এটেক অসিগী পাউখুম ওইনা কম্বাইন্দ ফোর্স অমদি খুল ঙাকপশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। নাকল অনীগী মরক্তা মিনট ১৪ রোম অওক-ওকথোং তৌনখি। মখা তানা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক চখ্থরকপা ঙমহন্দনবগীদমক থৌদোক থোকফমদা অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিন্দুনা ঙাক শেনখি।

ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈকায় অসিগী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা খুঞ্জাশিং ময়ূম-ময়ূমদা লৈবা ঙমহন্দনবা কন্না হোৎনরক্লি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদসু হরাওথেলগী নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা অসাম রাইফলস লাক্লগা ঐখোয়গী খুলদা চঙশিন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়বু নুপীশিংনা কৈদৌবা লাকপনো হংলুবদা সী আর পি এফশিং উনবা লাকপনি হায়খি। অদুম ওইনমক খুলগী নুপীশিংনা মখোয়বু চঙহনখিদে অদুবু মখোয় লাক্লম্বা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা চীংথক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়রি।

মখোয় হনখ্রবা মতুংদগী লেপ্তুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোনশিং পাইশিলহল্লক্তুনা ঐখোয়গী খুল অসিবু অঙানবা মৈ কাপশিল্লগা পুমঙান ঙালহল্লগা কোয়না য়েংই হায়রকখি। দ্রোনশিং অদুগী মনুংদা য়াম্না চাউবা অমসু য়াওই। ঙসিসু কম্বাইন্দ ফোর্সনা খুল অসিগী অকোয়বদা পেট্রোলিং চৎলুবদা বেথেল খুলদগী এটেক চখ্থরকখিবনি হায়রকখি।

হৌজিক কৌত্রুককী মনীং থংবা চীংদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী বঙ্কর ২০ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ইন্দিয়াগী অহানবা মণিপুরগী নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি

# চহী ৬ ফারক্লবা ফাওবদা কৌত্রুকতা শেমগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাদা ৩৮দগী হেন্না লোইশিনবা ঙমদ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :**
পীক্লবসু মণিপুরনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী পাৱর হাউস ওইরকপদগী লৈবাক অসিগী ইহান হানবা ওইনা ষ্টেট অসিগী কৌত্রুকতা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমগীদমক শেমগৎ শাগৎলক্লিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লিংখৎখিবা চহী ৬ ফারক্লবা ফাওবদা চাদা ৩৮-দগী হেন্না লোইশিনবা ঙল্লমদ্রে।

অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী অহানবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী হৌজিক খুমন লম্পাক্তা মতম খরগী ওইনা হাংলিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী শরুক্তা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৬শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।




শক্লাইরবা শান্নরোয় অমদি কোচ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী ৬লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওফিসিএটিং ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর উষা এস নায়রনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ন্যুজ লেটর 'অভিয়াস' গী অহানবা এদিসন হাংদোক্লদুনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসি হেক লীংখৎখিবদগী শান্ন-খোৎনবগী পাৱর হাউসনি হায়রিবা মণিপুরদা লম্ অসিদা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্নবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লক্লি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী মতেংনা শান্ন খোৎনবগী হৈশিংবা অমদি একাদেমিক্কী ওইবা থবক অনীমক তুনা চৎমিন্নদুনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা ইনোৎ পীবা ঙল্লে। শান্ন-খোৎনবগী লম্ খক নত্তনা স্পোর্টস সাইন্সকী লম্দসু অনৌ অনৌবা রিছর্স কয়া তৌদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পঞ্চায়ট ইলেক্সন অথুবা মতমদা পাঙথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :**
থা খরগী মনুংদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনগী মমাঙদা নৎত্রগা মীখল অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী পাঙথোকফম থোক্লবসু পাঙথোক্তনা লৈরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন পাঙথোক্লবা লৈঙাক্না শীনবীয়ু হায়না ফৌগাকচাউ মীতৈ পাঙল রুরেল দিভেলপমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎখ্রবা মপা-মচা য়াওনা শীং চনবা মীওই ৪গী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে

### অকাশোই মরীল মনাক্কী লম্পাক মীকপ মীরাওখোলনা পীক থনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ১০দা অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চেঙ চরা ফংনবগীদমক লুপা ১০০দা য়োনগদবা শীং মপুন অমমম খক চল্লুগনি হায়দুনা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হাওতক মৈচাকপী চীংদা চৎখিবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকখ্রবা মপা-মচা য়াওনা মীওই ৪গী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ঙসি জে এ সী অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংগী মীওইগা লোয়ননা মীয়াম্না রিমসকী মীরেল শঙদগী লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

তেরাখোং মখা লৈকায়গী অকাশোই মরীল মনাক্কী লম্পাক্তা মখোয় মরিগী হকচাং মরি পূন্না লৈরোন



চনখিবদা শরুক য়ারখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# রাহুল গান্ধী ওকপদা কাংপোকপীবু কুকিলেন্দ হায়রল্লে চীংদা লো চৎনহনবা ঙমদ্রবদি তোকপীরো : মিরাবাই

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা খোংজোমদগী লমথাখিবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা ভারত জোড়ো ন্যায় যাত্রাবু কাংপোকপীদা কুকিশিংনা তরাম্না ওকখিবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিবু 'কুকিলেন্দ' হায়না থারল্লে হায়রদুনা মণিপুর লৈঙাক্না চীংদা লো চৎনহনবা ঙমদ্রবদি তোকথোকপীরো হায়না হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবী এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি পাৎশোইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি চীংদা লো লৈত্রে, তৌনীংবতা তৌরে অমসুং য়েংশিনবীনবা মপী-মপা লৈত্রে হায়বগী ফীভমদু তারে। মণিপুর অসি ফূরুপ কাঙলূপ শুনা খুন্দামিন্নরিবা লমনি। মসিদা ফূরুপ অমনা লান্না উহন্নবা চখ্থরকপা থৌওংশিংগী মথক্তা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকদবনি। লমগী মমিংবু অপাম-অপাম্বা মওংদা থোনজিনবা য়াত্রা হংখি।

অনীংবা অপাম্বা তৌনরক্লিবা অসিনা তাকপদি লৈঙাক লৈত্রে হায়বনি। অদুগা অচুম্বা ফংহন্নবগীদমক চৎলিবা যাত্রা অসিবুসু লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়দুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

## ইচা হাৎপদা চেন্নবশিং শিবগী চৈরাক পীহন্নীংই : আনন্দকুমারগী অপোকপী



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):** মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩১দা মোরেদা এস দি পি ও চিংথাম আনন্দকুমার হাৎপদা মরু ওইনা চেন্নবনি

### ফিলিপ ১সুং হেমখোলাল কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ ৯নিগী কষ্টদি লৌখ্রে

চিংনবা মীওই অনী ঙরাং ফাখ্রবা মতুংদা মখোয় অনীবু থাদোকপা য়ারোই অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দুনা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না ঙসি ক্বাকৈথেলদা নুপী কয়া ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Leingakki ahangba postsing mensinnaba recruitment pangthoktringeigi mamangda hanna loukhibasinggi result laothokpana chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Utlei-Palei touduna Rahul Gandhigi Yatra mai pakhandanaba hotnaramba thoina hennadum meeyamna support tounakhrabra?

Yes 75% No 25%

## অস! লোইরেহে!

- তঙাইফদ্রদি ঐ ফম থাদোক্কনি।



- সার, খিত্তং লাউনা য়াদু কাথোকপীয়ু।

### বেবিসনা মীশিগী কেস
## কোর্টনা এফ এস এল, পাঙ্গেগী দিরেক্টর লাক্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):** জুলাই ১৮, ২০১৯গী অয়ূক্তা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায় সেকেন্দরি স্কুলগী রেসিদেন্সিএল ব্লোক-বি (গর্লস হোষ্টেল) দা থৌরি য়ানবনি হায়দুনা শিরগা লৈরমখিবী থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দগী নিংথৌজম বেবিসনা চনু (১২) মীশিগী কেস পায়রক্লিবা সী বি আইনা ফাইনেল রিপোর্ট পীরকপগী মায়োক্তা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চখ্থরক্লিবা কেস অমগা মরী লৈননা ঙরাং সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি কামরুপকী ওফিসল অমা কোর্ট কারকখ্রে। অদুম ওইনমক কেস অসিগা মরী লৈননা এক্যুজশিংগী ব্লদ সেম্পলগী রিপোর্টতা ব্লদ গ্রুপ খঙদোক্লবগীদমক পাঙ্গেগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী দিরেক্টরবু মথং থাগী ১৩দা কোর্ট অসিদা লাক্নবা খঙহনখ্রে।

## অসামদা ত্রেনিং তৌগদবা আই আর বি/এম আরগী কেন্দিদেটশিং হোল্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):**
অসামগী দেরগাওনদা লৈবা লচিৎ বরফুকন পুলিস একাদেমিদা বেসিক ত্রেনিং চখ্থনবগীদমক ঙরাংদগী পাঙ্গেদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজ (এম পি টি সী) দগী ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং হোনবগী থবক ঙসিসু লেপ্তুনা চখিখি।

ঙরাং অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ফ্লাইট অমনা অমুক-অমুক্তা কেন্দিদেট ৮৮/৮৮ পুদুনা তরুক্লক হোনখিবনি। অদুগা ৱাৎহৌরিবশিংগী মনুংদগীসু ঙসি অহুল্লক হোনখি। অদুম ওইনমক ১০/১১ আই আর বিগী অনৌবা রিক্রুটশিং খক্তা নত্তনা এম আরগীসু ত্রেনিং তৌগদবশিং মখা তানা হোনখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীদি ত্রেনিং য়াওগদবা পর্সনেলশিং বসতা পুননবা থৌরাং তৌরম্বনি।

## মীওই ৩ ফূরবা মতুংদা শেল অমদি গাড়ী মুলহৌরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৩দগী খুল্লাকপম মৌলুবী অবদুল সদা অপোকপা অবদুল মনান, ৱার্দ নম্বর ২দগী অমির খান অপোকপা ইমদিন অমসুং দোলাইপাবম সকির অহম্মদ অপোকপা বাসির অহম্মদনা কার (কে আই এ) অমদা তোংদুনা ক্বাক্তাদা হল্লকপদা থিনুঙ্গৈ ওইল পম্প মনাক্কী মফম অমদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা ফারবা মতুংদা তমথীনা ফূরগা লফুপাৎ তেরাগী লম্বী অমদা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা থিগৎপীয়ু হায়না মণিপুর মুসলিম ৱেলফেয়ের ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। শকখঙদবশিং অদুনা মখোয় অহুমদগী লুপা লাখ ১১ অমসুং মখোয়না তোংখিবা গাড়ী অদুসু মুলহৌখি। হৌজিক মখোয় অহুম হাট্রাগী জে আর হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

শীং চনবা চৎপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রবা ইমুং ৩গী পাউদম

# ইপুরোইববু হাৎখিবা থৌদোক অমুক হন্না লৈঙাক্না মখা তানা থোকহনবীরগনু : প্রমো



লৈখিদ্রবা ওইনাম রোমেন মৈতৈ

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০দা কুম্বীগী হাওতক মৈচাকপী চীংদা শীং চনবা চৎখিবদা মপা-মচা য়াওনা অতোপ্পা মীওই ৩গা লোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা তেরাখোং মখা লৈকায়দগী ওইনাম রোমেন মৈতৈ (৪৬), অপোকপা ও পিশককী মপুরোইবগা শেৎন-খাইনরবী লোইনবী প্রমোনা মমিৎতা মপি তারদুনা হায়, ঐখোয়গী ইমুং অসুক্কী মতিক লৈত-লায়রনা পীক থল্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা ইচানুপা অনী অমসুং ইচানুপী অমা পূন্না অঙাং অহুম্বু মপুং ফানা মহৈ-মশীন তমহনবা ঙমখিদে। ইচানুপা অনীমক ক্লাস আইট/নাইন ফাওবদং তমহল্লগা তোকহন্দুনা ইমুংগী মতেং পাংনবগীদমক অফং-অফংবা অঙম্বা থবক শূহল্লকখিবনি। লৈখিদ্রবা ইপুরোইবসি অতৈ মীগুম্না মশা-মউ ফবা মীওই ওইখিদে। য়াম্না তোয়না নাগনবদগী হৌজিক ক্লাস আইট খক্তমক তম্লিবী ইচানুপীবু ডাক্তরমক ওইহনবা ঙমদ্রবসু নর্স ফাওবদি ওইহনগে হায়না য়াম্না তোয়না হায়রমখি।

ঐখোয়গীনি হায়বা লৌ মচেৎ অমত্তা লৈজদে। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা মীগী লৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দা ইহান হান্না ঐগী য়ূম মৈ থাখিবনি

### হকথেংনবা পাউদম
#### খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা

**(ঙরাংগী মখা...)**
খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী নোংমাইথেম ওংবী কমলানা মখা তানা হায়, চঙজফম লৌখিবা ইমুংদুদগী ময়াং সিফাইশিংনা নোংঙাল্লগা লৌবা লাকখি। মদুসু কুকিশিংনা লম্বী থৎতুনা চৈনা ফাওবা কল্লকপা য়াওখি। য়াম্না ৱানা নাম্বোরকখি। ক্বাক্তাদা হেক থুংবগা ইশাদা ঐখোয় হিংলগদ্রা হায়না খঞ্জখি। ক্বাক্তাদগী মথং মথং লাকপনা কদাইদা ঐখোয়বু পুরিবনো খঙখিদে। অদুবু মোইরাংগী গেষ্ট হাউস য়ৌরকপদা নে তাখি। অদুবু মফম অদুদা থুংলবসু ইপুরোইবগা উনবা ফংখিদে।

চূড়াচান্দপুরদগী মীতৈগী নুপী অঙাংশিংনা হান্না হোন্দোক্কনি হায়দুনা ঐখোয় খক্তং পুবীরকখিবনা ইপুরোইবদি চূড়াচান্দপুরদা নুমিৎ মঙানিরোম চোম্থনা লৈহৌখি। ইপুরোইবসু মখোয়বু পুথোরকপদা কুকিশিংনা লম্বী থৎতুনা থম্বদগী চৎপা য়াদ্দুনা চূড়াচান্দপুরগী পব্লিক গ্রাউন্দদা লোইনা হোইজিল্লগা থল্লে হায়না পাউ পীরকখি। মফম অদুদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা পব্লিক গ্রাউন্দদা হোইজিল্লিবা মীতৈশিংবু লোইনা হাৎলগনি হায়দুনা লাউ খোংবা হৌরক্লে হায়দুনসু পাউদল্লকখি। অদুবু কুকি নুপীশিংনা মীতৈশিং হাৎপা য়ারোই, ইম্ফালদা কুকি ময়াম লৈরি হায়দুনা থিংবদগী কুকি নুপীশিংনা মখূৎ শম্নদুনা থৎলগা মীতৈশিংবু বি এস এফকী কেম্পতা পুশিন্দুনা থম্বীরে হায়রকখি। অদুবু মফমদুদা চাক-ঈশিং পীদবদগী য়াম্না ৱানা লেল্লকখি হায়রি।


চাক পীরকপা মতমদনা চেরং খাওদা হাপ্লগা পীরকপদগী চাননবা হোৎনবদা য়াম্না খুদোং চাখিদে, লা ফাওবা থিবা ফংখিদে। চাক চাননবা পুখম লৈতবদগী চাক হাপ্তুনা পীরকখিবা চেরংদু হাংদোক্লগা চারবা মতুংদা অমুক চামথোক্লগা শীজিন্নে হায়না তল্লকখি। নুমিৎ মঙানিরোম বি এস এফকী কেম্পতা লৈরক্লবা মতুংদা ইপুরোইবা অমসুং অতৈ মীওইশিং য়াম্না ৱানা মোইরাংগী গেষ্ট হাউসতা য়ৌরকখিবনি। মোইরাংদা থা ৩ লোম লৈরক্লবা মতুংদা থাংমৈবন্দদা অমুক লৈরকখি। হৌজিক্তি ইরু-ইয়াং কুল্লবা মী অমা ওইনা ৱাবদা খম থেংলে। অঙাংগী স্কুলগী ফী হুনবা ঙমদ্রে। মমা-মপা ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু ইচাশিংদি মহৈ তমহন্দবা য়াদে হায়দুনা বোর্দিংদা থল্লে। অদুবু বোর্দিংগী শেল পীনবগীদমক ইপুরোইবনা মীগী থোঙ-থোঙনাও পানবা য়াওবা চৎলি। লৈরক্লিবা মফম অসি খঙন-চান্নবসু লৈবা নত্তে। দুকান ফম্নিংলে হায়রগসু মফম লৈতে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না ঐখোয়বু ইশাগী পাট্টা লেন্দ ওইজরিবা চূড়াচান্দপুরদা লৈহৌবা ইঙ্খোলদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ঙমহনবীয়ু। রিলিফ কেম্পতা লৈবা হায়বসিদি অৱাৎপনা পীক থল্লি। পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনি। মতৌ করম্না হিংগদগে খনবদা অৱা পোৎলূম ওইরে। অথুবা মতমদা হান্নগুম্না ইশাগী য়ূম-ইঙ্খোলদা লৈবা পাম্মী হায়রকখি।

লানগী চৈথেং নংলবা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়গী পাউদম-১৫

# 'আর্টিষ্টশিংনা ঙম্নবা হোৎনরিবনি হায়দুনা শিনফম হোংখ্রবদি আর্টহায়বসি লৈহৌখিগদ্রা'

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস)**
মে ৩দগী লেপ্তুনা চখ্থরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মণিপুরগী মীওই কাঙলূপ পূম্নমক্তা খম থেংবা চৈথেং পীরকপগী মনুং চন্না লীলা-দ্রামা, ফিল্ম অমদি তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংদা শিনফম ওইনা খোঙদাজরিবা আর্টিষ্টশিংদসু পুবা থাংবা ঙমদবা পোৎলূম কয়া পুহনবা হৌরকপদগী



হামোম পুর্নানন্দ

পাউচে অসিনা আর্টিষ্টশিংগা হকথেংননা উনরকপগী মখা তারকপদা মণিপুরগী মল্টি পর্ক্যুসন/ম্যুজিসিয়ন হামোম পুর্নানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, আর্টিষ্টশিং অসিনা হিংনবগীদমক চাকখুম মৈ মূত্তনবা হায়দুনা অঙম্বা পাম্বৈ থিরকপদা ঈশৈগী ইন্সত্রুমেন্টশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫